# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১১০

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম




**মণিপুরদা** মতম শাংনা পাল্লম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক শেঙ্গা-থুমজা, মীহাৎ-মীপূন, বন্দ-ব্লোকেদকী থবক খরদি অনৌবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা শাফহল্লে। মসিমক মীচম মীয়াম খুদিংমক্কী মীৎনা উবা পাউদমনি। মসিমক থম্মোয় শেংনা পাঙথোক্লগদ্রা? ৱাহং অসিমদি মীয়ামগী থম্মোয়দা লেপ্তুনা হংনরিবনি। মমাঙ চহী কয়াগী শাংলবা পুৱারীনা মরোমদোম হংনহল্লিবা ৱাহংনি। শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসিদা য়াওমিন্নরিবা এম এল এ, মন্ত্রি খুদিংমক থম্মোয় শেংলবরা? ৱাহংসিমসু মীয়াম্না থম্মোয়দা লেপ্তুনা হংনরি।

পোলিটিক্স হায়বসি নম্বর গেমনি। এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী লোনচৎ-শাজৎ মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতম-মতমগী ৱাঙাঙ, থবক খূৎতৌগা করি খেন্নরবগে হায়বসি মীয়াম্না মীকুপ নাহুম কাংদনা য়েংনরি। পোলিটিক্সকী কাঙলোন চুম্না চথরি। শ্রী বিরেন ইকায়খুম্নজরিবা মহাক্কী ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থবক খূৎতৌ চীং-তম অনীগী মরক্তা লৈরম্বা মীৎয়েং খরদি অহোংবা উরে। মমাঙথক্কী ভোট খোম্নবগী তাঞ্জাদা ঙাঙলম্বা, লাউনরম্বা খুদিংমক্কী থবক ওইনা হেক্তা ওন্থোকপদি তরাইবা নত্তে। মসিমক মীয়াম্না খঙদবদি নত্তে। ঙসি ফাওবা মীয়াম্না থম্মোয় কায়না, নিংদোন পোম্নরিবা নীংশিংদুনা লৈরিবা কয়াদি ময়েক শেংনা থবক ওইনা ওন্থোরকপা উবা ফংনদে। ভোটকী মতমদা লাউরম্বা, ঙাঙলম্বশিংগী মরক্তগী থবক ওইনা খরা ওন্থোক্লবসু মসিমদি মপূং ফানা ফজনা পায়খৎলে হায়বা থোইনা লৈতে। মতাংসিদা মীয়াম্না হেন্না থম্মোয় কায়নখিবা থৌদোক ৱাথোক্কী থবকশিংগী মতাংদা পেন্নদবা লৈনরি।

শেঙ্গা থুমজা, মীহাৎ-মীপূনগী মরমদা মরাল লৈবা কয়াবু ফংফম থোকপা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীরকপদা মীয়াম্না পেন্নগনি। অওনবা অহোংবা লৈঙাক হায়বসি মদুমক নৎত্রা? মীয়ামগী য়াল্লবা শেনফম মাঙহল্লবা, মীয়ামগী মায়োক্তা চথরম্বা ময়াই কাবা দ্রগকী করবারদা চেন্নবা কয়াবু ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীদবা, নম্বর ফোর গ্রাম ৫/১০খক করবার তৌবশিংবুনা ফারগা খুদক খুদক্কী চৈরাক পীবা, নম্বর ফোর কেজি/কেজি লল্লোনবশিংবুনা শেঙ্গা থুমজা, শক-মায় য়েংনদুনা চেক-মোক লাউদনা নমশিন্দুনা থম্বা, মীচম মরক্তা মরাল লৈতবা, শাশিন্নবা মীহাৎ কয়াদা হাৎখিবশিংবু ঙসি ফাওবা মরাল লৈবশিংবু চপ চাবা চৈরাক পীবিদবা হায়বসি করম্বা মখলগী ৱায়েলনো। মসিমক মীতৈ ৱাহৈদা অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদুনি। ইকায়খুম্নজরিবা শ্রী বিরেন মীচম মীয়াম্না মপূং ফানা থাজবা থমজরিবা বি জে পি লৈঙাক্কী লুচিংপুরেল অমদি সোসল মিদিয়াদা চাউনা থৌদাং য়ারম্বা থোইদোক হেন্দোক্লা মশক নাইবা অমনি। মীয়াম্না থম্নরিবা থাজবদি মাঙহঞ্জনীংদে।

লৈপাক মীয়ামবু নুংঙাইনবা অওনবা অমা পুরকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা অসি মপূং ওইনা লৈঙাক পায়রিবা মতম মতমগী লৈঙাক্লা মীয়ামগী থবক তৌরকপা অদুনি। চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা প্রাইভেটাইজেসনগী থবক খূৎতৌগা লৈঙাক্কী থবক খূৎতৌগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবনি। মণিপুরগী মনুংদসু ইকুই কুইদনা ভোট লাক্লগনি। ভোটকী মতমদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা থবক পাঙথোকপা, পাঙথোক্তবা মখোয়না হায়নীংবা, ঙাঙনীংবা পূম্নমক মকা লাম্না লাউনরগনি। হে ভোট নঙসে ওন্থোক্লা ঙকখ্রেদকো। মীয়ামগী থম্মোয়বু খুদক্তা পেলহনবা, নুংঙাইহনবা, ৱাহনবা অমদি থম্মোয়বু লায়না জয় তৌবা ঙম্মী। মসিগী তৌবা ঙম্বসি পৈশানসু মীয়াম্বু ঙাওহল্লি। অনৌবা বি জে পিগী অওনবা অহোংবনা মমাঙথক্কী ভোটতা লিশীং অনী চৎপীনা মীয়াম জয় তৌখ্রে। হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা ভোটতনা লিশীং কয়ানা মীয়াম্বু জয় তৌরগদৌরিবা। মতম অমদা কোংগ্রেস মরোমদোমগী শেঙ্গাউনা মতম শাংনা লৈঙাক্লম্বা মথংদা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিগী লিশীং অনী চৎপীনা জয় তৌখি।

ঙসিগী পোলিটিক্সকী য়াওলসি ইচম চম্না খন্দোকপা য়াম্না লায়বা মতম নত্তে। মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিগা য়েংনবদা খরদি খেন্নবা উবা ফংই। পোলিটিক্সকী লম্বীদা চঙশিল্লক্লিবা অনৌবা পাড়া তমখৎলক্লিবশিংনা কোংগ্রেসকী তুং-মাং, নাক-য়েৎ খঙলবশিংবু হেক্তা তরাইনা খন্দোকপা অরাইবা নত্তে। মতম অমদা মণিপুরদা চোঙথোক চোঙশিনগী ঈরাংনা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়াদা নিল্লম্বা হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদসু কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চোঙশিনখিবশিংগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী খন্ন-নৈনরক্লি। মসিগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ৱাথোক অমত্তা লেম্না মাঙহনবা খক য়ারোই। লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাং নৈনগদবা হুন্দোক্তুনা, চোঙথোক চোঙশিনগী ৱাথোক, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপচিল্লুবগী ৱাথোকলোমদা মীয়ামসু নাকোয়ননা ঈরাং য়াওশিলহন্নবা হোৎনরব্রা। মীয়াম্না পাল্লিবদি থবক ওইনা মপূং ফানা পায়খৎপদুনি।

হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাকসিদা মন্ত্রি, এম এল এশিংনা ঙাঙথোরকপদি তমজনীংঙাই ওই হায়দবা ঙম্লোই। মমাঙগী কোংগ্রেস এম এল এ ২৮গী শক্তম ঙসিসু লেংদনা লৈবগুম উহনবা থবক ওইনদি পায়খৎপা য়াদবা অনৌবা পাড়া অমনি। মসিমক কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনীগী নুংগী ওইবা অরোনবা লৈতে হায়বা খক য়ারোই। ঙসিদি পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ঈরাং লাকপসিদা নুংগী অরোনবশিং লেংদবা য়াররোই। মসিগী মথক্তা কোংগ্রেস এম এল এ ৮ চৎখিবা তরাইরোই। অদুবু লৈঙাক্কী শক্তিনা মথং মথং থৈদোক্তুনা টর্ম শুনা চৎপা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাহং অমসু লৈতবা নত্তে। মসিমক্লা মীওই খুদিংমক্লা মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা আই এল পি অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট থুপচিন্দুনা থম্বীরিবরা? মীয়াম মমাঙদা হৌরকখিবা ঈহৌ অমত্তা লেম্না মাঙহনবা খক য়ারোই। মসিগী মথক্তা কোংগ্রেস এম এল এ ৮গী কেস তরাইবা নত্তে। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ৱাথোক চুম্না হেক্তা লোইশিনবা অরাইবা নত্তে। মসি পূম্নমক লেম্না মাঙহনবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী শক্তমদা অকায়বা ওইগদ্রা খঞ্জে। অচুম্বগীদমক খঞ্জরিবা মীচম মীয়ামশিং খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লাক্কদ্রা চিংনজৈ। পোলিটিক্সতা ঐ হায়বা ৱাফমসি থাদোক্লরগা ঐখোয়গী ওইনা খন্নরক্লবদি অচুম্বগী পোরম চুম্না লাক্কনি। থম্মোয় শেংনা অচুম্বগীদমক ফম্নাইবশিংনা, অঙম্বশিংনা, মন্ত্রি-এম এল এশিংনা চিনগা খূৎকা মান্নহনবসি ঐ শোক্লোই হায়দুনা নাথৈরগা থম্বীবসি থাদোক্লরসি। মণিপুর কায়বদা ঐসু য়াওই, ঐখোয় ৱাবদা ঐ য়াওদবা য়ারোই। আই এল পিসু ঐগীনি, ঐখোয়গীনি, মন্ত্রি ফম ওমর ফম নত্তে। পুন্সিগী তুররোই, পুন্সিগী পিবা ফম অমত্তা নত্তে। ফংলিঙৈদা, য়ারিঙৈদা ওইজবা লৌহৌবগী চৎনবী থাদোক্লরসি। অপূনবগী জয়, মীয়ামগী জয় লৌমিন্নরসি।

# নুপা-নুপী অনীগী অশোয়বনা খুন্নাই অমবু মশক থিহল্লি

দিলিপকুমার খুমন্থেম



**ঙসিগী** খুন্নাই অসি উরুবা মতমদা নোংমা নোংমগী হেন্না হেন্না লৈখা তারকপগুম তৌরিবা অসি মীওইবা ঐখোয়ননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীওইবগী মরক্তা অফ-ফত্ত অনীগী লংদাইদা তৌফম খঙদনা অদুমক লৈবগা চপ মান্নরে। খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক লোইনা ফৎতে হায়বমক্তি নৎতে। অফবসু লৈ, ফত্তবসু অদুমক লৈ। মরু ওইনা চাক চগ্রীং অমনা চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোকহল্লি হায়বা প্রমান অদু মতাং অসিদা নীংশিংলক্লি। হেন্না য়াম্না মরু ওইনা নৈনজনীংবদি নুংঙাইতবা হীরম মচা মচা ময়াম অসিনা খুন্নাই অমবু লৈখা তাহল্লিবা অসিগী মতাংদনি। খুন্নাই অমবু লৈখা তাহনবদা নুপা-নুপী অনীমক্লা চাউরবা থৌদাং লৌরব্রা হায়রিবা ৱাহং অসি তশেংনা হংনীংই। ঐখোয় মীওইবা ঙাক্তনি অমনা অমবু ওৎনরিবা অমদি অৱা অনা নংহন্নরিবা অসি। তশেংনা কনাগুম্বা নুপী অমনা হায়, নুপানা-নুপী ওইলি; কনাগুম্বা অমনা অমুক হায় নুপীনা নুপা ওৎলি। হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা অদুম তাক্লি তশেংনা মীওইবগী মরক্তা অশোয়বা ময়াম অমা লৈরে হায়বসি।

মফম অয়াম্বদা নুপী কয়া মহাক মহাক্কী মপুরোইবা অমদি নুপা খরনা ওৎপদগী লৈবা ঙমদ্রে হায়বা ৱারী কয়া অমা মশীং থিঙমদবমখৈ ঐখোয়না তাবা ফংই। হৌজিক হৌজিকমক খ্বাইদগী হেন্না থোক্লবা থৌদোক হায়রগদি মথক্তা পনখ্রিবা অসিনি। অদুবু মসি কদাই ফাওবা চুম্বগে, লানবগে হায়বদুদি মরিক চুম্না থিদোকপসু য়াওই, থিদোক্তবসু য়াওই। মীওই অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবা থৌদোক অসি কনা-কনানা চুম্বগে? অনীসিগী মরকসিদা অমনা হেক্তা হায়বা অসি থাজরগা হায়রকপা মাগীদমক্তা মীচং চঙলসিরা? হৌজিক্কী মতম অসিদা অচুম অরান খঙদবীদা অমনা হেক্তা হায়জিল্লগা থাজবা অসিনা মচিন য়াম্না চৎপী-চৎপা কয়াগী মগুণন হন্থহল্লকপগী চাউরবা মরম অমা ওইহল্লকপা য়াই। অদুবু তশেংনা ওৎপী-নৈবীরিবী কয়াসু য়াওদবদি নত্তে।

মরক অসিদা ওৎতনা ওৎলে হায়জিনবা-হায়জিনবী কয়া অমসু য়াওরিবনি। মসিগী মতাং অসি য়ৌরক্লগনা তিন্নবা শঙ্গ-পঙ্গগী মখা য়াম্না পোনখ্রে। মসিদনি লাঞ্জদ্রবা নুপা অমদি নুপী কয়া অমা অৱাফমদা তাহল্লিবা অসি। নুপী কয়া অমা ওৎপীরে-নৈবিরে হায়বা অসিগী মরক অসিদা নুপী কয়া অমনসু নুপা কয়াবু শাথিবা মওংদা ওৎলম্বা-নৈরম্বা য়াওদবা নত্তে। নুপা অয়াম্বদা থোকপদি মনা-মনিল নাইদনা তুমিন্না থম্মোয়নুংদা অৱা মৈচাক খাঙদুনা লৈবসু অদুমক য়াওরিবনি। মখল মখা কয়াগী শাইওন হৈবী হৈবা নুপা-নুপী কয়ানা মশাগী মরাল কুপশিনবা য়ানবগীদমক অকন অরিং শিংদুনা লৈবা অমদি মচিন কনবী, কপশিন্নরগা, তাৎ-পাৎ কয়া তৌদুনা অচুম্বা শাদুনা অচুম্বা মাবু অরানবা তাহনবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা নুপা অমদি নুপী কয়াগী থম্মোয়নুংদা চৈনা মশীং লাকঙমদনা পীরি।

নুপা কয়ানা নুপী কয়া অমসু শান্নবগুম নুপী কয়ানসু নুপা কয়াবু শান্ননীংবা মওংদা শান্নরি। পাখঙ-লৈশা ওইরিঙৈ মতমদা চহী কয়া নুংশিনদুনা য়ূম পাল্লবা মতুংদা নুপা খঙহন্দনা নুপী খরনা লোন্না নুপা কোয়নদুনা নুংশি মরী লৈনরক্তুনা মাগী নুপা অমদি মচা-মশু কয়াবু হুন্দোক্তুনা অতোপ্পা নুপাদা চেনখিবসু য়াওদবা নত্তে। হায়রিবা অসিমক নুপা খরনসু অদুমক তৌই। মখোয়শিং অসিনা লানজদ্রবা নুপা-নুপী কয়াগী পুন্সিবু লৈখা তানা মাঙহন্নবা হোৎনরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা নুপী মশানা মশাবু হেন্না ৱাহঞ্জবা নুপী কয়াসু য়াওরি। মদুদি কনাগুম্বা ইমুং অমগী মচা নিংঙোল অদুনা ময়ূম পানখ্রিবা য়ূম অদু অৱাবা ইমুং অমদি লাইরিক-লাইশু হৈতবা, খম থেংনা ৱাবা ইমুং ওইরম্বদগী মচা ৱানি, লৈবদা মনীং থুংলোই হায়দুনা লৈহন্নীংদবসু য়াওই। মমা ওইবী কয়ানা মচা নিংঙোল কয়া অমবু কৌথোক্তুনা ময়ূমদা হল্লকহন্দুনা থম্বা কয়া অমসু য়াওরি। অসিগুম্বা লমদম অসিগী মমা ওইবী কয়ানা য়ূম পানবগী লম্বী অসিবু শান্নপোৎকুম্না মগুণ য়াওহন্দ্রে।

নুপা কয়া কয়ানা নুপী অদুবু কায়ননীংদবদগী কৌবা চৎপা মতমদা পীরকপগী মহুত্তা মচা নুপী অদুবু ওৎলে-নৈরে হায়জিন্দুনা ওনশিন্দুনা কেস তৌশিল্লকপা, লায়রবা ইমুং অমনা মতৌ করম্না কেস থেংনবা ঙমগনি। হায়রিবা কেস অদু থেংনবা ঙমদবদগী অদুমক ইচুম চুম্না অরানবা তাহনবীদুনা ইমুং অমবু মচেৎ তানা থুগাইরম্বগী ৱারী থৌদোক কয়া অমসু ঙসিগী খুন্নাই অসিগী মীওই কয়ানা অদুমক থেংনরবা ঙাক্তনি। মসিদসু নত্তনা মশা মশা য়ানদুনা চেল্লবা মতুংদা নুপাদুগী ময়ূম মকৈ ফীভম তারমদবগী, অৱাবা ইমুং ওইরম্বদগী নুপী অদুনা ময়ূম য়ৌরগা মশানা য়াদে, ফাবীবনি হায়দুনা নুপা অদুগী পুন্সিবু মাঙহনবা অমদি মপামদা চৎখ্রগা মরম ইচা চাদনা ময়ূম য়ৌরগা ঐ হল্লক্লরোই, কাইনরসি হায়রকপা ঙম্বী নুপী কয়াগী থম্মোয় অসিসু অঙকপনি। অসিগুম্বা নুপীশিং অসিনসু লাঞ্জদ্রবা নুপা কয়াগী মায়থোংদা অমুবা কালি তৈশিন্দুনা পুন্সি অমবু লৈখা তানা মাঙহনবগী মচাক অমা ওইহল্লি। খুদিংমকশিং অসি অহেনবা পাম্বা অৱাবদা খাঙবা ঙম্বগী থৌনা য়াম্না ৱাংলে হায়বসি ময়েক শেংনা মমি তারি। লমদম অসিগী নুপীশিংনসু ঙাইহাক্কী মশক ফজবদা ঙাওবা অমদি অহেনবা পাম্বগী ৱাখল্লোন পূম্নমক থাদোক্তুনা তুংগী পুন্সিগীদমক ৱাখল মুন্না খল্লগা য়ূম পানবীদুনা য়ূম্বাল পুন্সিবু মমল লৈহনসি। খুদিংমকশিং অসি নুপা কয়ানসু নুপী কয়া অমদা চপ মান্নবা মওংদা তৌবসু য়াওই। নুপা নুপী অনীমক অমনা অমদা হেনজিন্নদনা ওৎনরি। হায়রিবা মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিং অসি অসুম অমনা অমবু হেনজিনবা য়াদনা অদুম লৈবা তারগদি শুংশোয় শোয়দনা খুন্নাই অমবু হেন্না মশক থিহল্লকপা য়াই। মরম অসিনা ঐখোয় পূম্নমক ইশা ইশানা ৱাখল তামিন্নদুনা নুংশি চান্ননা লমিন্নরসি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অফবা নাগরিক অমগীদমক

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ডাক্তরশিংনা** লায়না কয়াগী মতাংদা পাউচেদা ইনবা থেংনখ্রে। অদুবু উকিলশিংনা পাউচেশিংদা আইনগী মতাংদা ইন্নবদি খরা থেংনবা নত্তনা কয়াদি থেংনজদে। তোল্লবনা মণিপুরগী পাউচেশিংদা উকিলশিংনা হৌজিক ইন্দিয়াদা, মণিপুরদা চৎনরিবা আইনশিংগী মতাংদা মরক মরক্তা ইহঞ্জনীংলি। ইন্দিয়াগী নাগরিক অমগী রাইট অমসুং দ্যুটিশিং পাউচেশিংগী খূৎথাংদা খঙহল্লকপনা মীওই কয়াগী মীৎশিং-নাশিংবা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মরু ওইবা অমদি ফন্দামেন্টেল রাইটশিং অমদি দিরেক্টিভ প্রিন্সিপালশিং অদুগী মথক্তা হিন্দু লো, মোহমদন লো, লেন্দ রেভেন্যু এন্দ লেন্দ এক্ট অমদি নাগরিক অমা ওইবদা ভোটিং রাইটকী কান্নবা খঙহনবা ফৈ। খুন্নাইদা অকায়বা ক্রাইমশিং থোক্তনবা মদুগুম্বা আইনশিং অদু খঙহল্লগা মদুগুম্বা ফত্তবা থবক অদু কনাগুম্বনা মদু তৌরুরবদি দন্দি অদু ফংগনি হায়বদু খঙলবদি কিনদুনা আইন কায়বা থবকশিং তৌবা ৱাৎনরক্কনি। সী আর পি সী অমদি আই পি সীগী সেক্সন কয়া এক্ট কয়া মদুগুম্বা অরানবা থবক অমা তৌরুবদা আই পি সীগী সেক্সন অদুগী মতুং ইন্না দন্দি ফংগনি হায়বদু খঙহনবনা খুন্নাইদা শান্তিগী খোঙথাং অমদি লাকহনবা ঙমগদ্রা হায়বসি তোল্লবগী থাজবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা রাইট টু ইক্কেলিটি, রাইট টু পার্টিকুলর ফ্রীদমস, রাইট এগেনষ্ট এক্সপ্লোইটেসন, রাইট টু ফ্রীদমস ওফ রিলিজন, কলচরেল এন্দ এদ্যুকেসনল রাইটস, রাইট টু প্রোপর্টি, রাইট টু কন্সটিট্যুশনেল রেমেদিস অসিনচিংবা খুদম ওইনা পঞ্জবনি।

প্রোটেক্টিভ ফ্রোম দিসক্রিমিনেসন ওন গ্রাউন্দস ওনলি ওফ রিলিজন, রেস, কাষ্ট, সেক্স ওর প্লেস ওফ বর্থ (আর্টিকল ১৫)। মসিনা তাক্লিবদি ধর্ম্মগী লমদা কাঙলূপ-ফুরুপকী লমদা, নুপা নুপীগী লমদা, পোকফম মফমগী মতাংদা হন্থনা য়েংবা, তুহৎপনচিংবা তৌরকপদা ঙাকথোক্লবা অদুগুম্বা লিচৎশিং চৎলকপনচিংবা থিংনবা আইন লৈ হায়বনি। লৈঙাক্কী থবক অমদি মীয়ামগী থবক্তা পূম্নমক্কী মান্নবা খুদোংচাবা লৈ (আর্টিকল ১৬)। ফ্রীদম ওফ স্পিচ, Assembly, Arrocration, Movement, Residence and Profession (Art. 19) (IV) cultural and educational rights of minorities Art. 30 অসিনচিংবা কয়া খঙজিনবনা/খঙহনবনা খুন্নাইদা শান্তি শোয়দনা পুরকপা ঙম্বা য়াবগী মতৌনি।

অমরোমদা, "The state shall not deny to any person equality before law or the equal Protection of laws within the territory of India হায়বনচিংবা অসিদা মণিপুর মচা অমবু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রাজ্য অমদা ইন্দিয়াগী আইন্না ইক্কেল প্রোটেক্সন ওফ লোস লৈবনা তাথিনা তৌবা য়াদে। মসি খঙনা মণিপুর মচাদুনা ইন্দিয়াগী রাজ্য অমদা থবক তৌদুনা লৈনরিবনি। Freedom of expression means the freedom to express not only one's own views but also the views of others and, by any means including printing. অদুবু মসিগী ফ্রীদম অসিদা অকক্লবা অমসুং লিমিটেসন খরদি CL(2) of Art. 19 দা লৈরি। মসিদা রাজ্যগী লোনা অথিংবা খরসু থম্বা ঙম্বসু লৈ। মসিগী অকূপ্পা কয়াদুসু মীয়ামদা খঙহন্নীংলি। রাইট এগেনষ্ট এক্সপ্লোইটেসনগী মতাংদা পর্সনেল লিবর্টি অমসুং প্রোহিবিসন এগেনষ্ট দিসক্রিমিনেসনগীদমক সংবিধান্না প্রোভিজন কয়া to prevent exploitation of the weaker sections of the society by unscrupulous individuals or even by the state হায়বনচিংবা মীওই সেক্সন কয়াদা খঙবদা কান্নরবা কয়া উকিলশিংনা পাউচেশিংদসু ইবিদুনা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবা হায়বসি তশেংনমক লৈবাক অমবু শান্তি থম্নবা লম্বী অমসু ওইগনি।

অমরোমদা ইশাগী রাইটতি খঙলগা দ্যুটিদি মশক খঙদবা কয়া য়াওরিবসিদা উকিলশিংনা ইন্দিয়াগী নাগরিক অমা ওইরগা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা মথৌশিং শুগাইনা ইবিদুনা মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি লৈঙাক্কীসু ঈংনা চিক্লা শান্তি লৈনা চাওখৎ খোঙথাংদা চখবা ঙম্নবা থৌদৌ ওইগনি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬

১। থায়না মণিপুরী চনুশিংবু মাগী মাগী য়েক অমসুং য়ূম্নাক্কী মশক তাক্তুনা মিং কয়ামরুম কৌনরম্মী। মখাগী অনীসি করম করম্বা য়েক সলাইগী চনুশিংবু খঙনবগে?
(ক) ৱাংঙল্লোন (খ) নুংবাল্লোন।

২। "ঝুলোনগী সন্ধ্যা য়াচংবা মতুংনি। নুংথিলগী মীনিলখোন নেমখ্রবা...। মীগী থম্মোয়সু নুংঙাইবনা মরাঙ হৌরে।" পরেংশিং অসি 'তারমদাই নুমিৎকী মশেক' কৌবা উপন্যাস অমদগীনি। অইবদু কনানো?

৩। "নিংথৌ অহুম পাল্লি লৈবাকসিদা/অহানবা নিংথৌদি মাইক্রোফোননি/...অনীশুবা নিংথৌদি নোংমৈ মরূনি/...অহুমশুবা নিংথৌশিংনা উচিশিংনি।" পরেংশিং অসিনা কবি জাতিশ্বর তোংব্রমগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মণিপুরী নুপীশিংনা চৎনবীবু থুগাইদুনা রেদিকেল ফেমিনিষ্ট অমা ওইনা চঙশিল্লগে হায়বা অকনবা ফিরেপমক্তি লেপত্রি। য়াম্না লিবরেল ওইবা মওংদা নুপাশিংনা মখোয়বু শকখঙবীয়ু ... তৌরকপা দাবিনি।" ৱাহৈশিংসিনা '২০শুবা শতাবদিগী ৱারীমচাদা ফেমিনিজম' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "নুংশিদরা য়েংউ/উচানগী মৈরা/কপনিংদরা নঙবু/উরগা তোয়না।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ ময়েক ইবা, শরত অরাম্বমগী ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**